হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, নবেম্বর ২৮, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ২৩৯শুবা মশীং

## মীতৈ/মৈতৈনা এস টি অতোপ্পা ফুরুপশিংনা য়েংফম থোকপ্রা

লৈবাকসিদা হৌজিক লৈরিবা মীয়ামসি ওন্থোক্লা য়ামখ্রে। য়াম্বগী হৌনবা অকক্লবা ফুরুপ-কাঙলূপ অমখক্কীসু ওইদে। লোন-ময়েক্তগী হৌরগা শক-চুদা, চাকচা-য়ুথক্তা মান্নদবা অমসুং খেন্নবা ফুরুপ কয়া লৈরি। লাইনীং লম্বেল ফাওবা মাগী মাগী ফুরুপকী তোঙান-তোঙান্না লৈনরি। অদুগা লৈরিবা ফুরুপ-কাঙলূপ ময়ামসিগী মনুংদা 'জেনরেল', 'সেদ্যুল্ড ত্রাইব', 'সেদ্যুল্ড কাষ্ট', 'মাইনোরিটি' অমসুং 'অদর বেকৱার্দ ক্লাসেস' কা হায়বা লৈবাকসিগী ফুরুপ কাঙলূপশিংবু কেটেগোরাইজে সন তৌরগা শীজিন্নরক্লিবা মমিং ৱাহৈশিংসিবু করিদগী, করম্বা মতমদগী লাকখিবনো? পোইরৈতোননা ইহান হান্না খুন্থোকখি হায়বগা লোয়ননা মীগা লাইগা শম্নরম্মী হায়দুনা নোংদা লাইরেন পাখঙবনা পানবদগীনি লিশাং-শিংনা নিংথৌ পানবা লৈঙাকশিং লৈরকখিবদগী শাগোন্নরকখিবা কাঙলূপ-ফুরুপশিংগী মরক্তা শেন্মীৎলোন অমসুং পুন্সি মহিং খেন্নবগী মতুংইন্না অমগা অমগা চপ মান্নহন্নবগী শীজিন্নরকখিবা ওইরিদ্রা? অদুঙৈ কুমজা ১৮১৯দগী ১৮২৬ ফাওবা চহী ৭ অৱাগী মখূৎতা খুন্তাক্লিঙৈদা লৈরম্ব্রা? নৎত্রগনা কুমজা ১৮৯১গী এপ্রিল ২৩দা খোংজোম লান মায়থীদুনা বৃটিশকী মখূৎতা তাখিবদগী লৈরকখিব্রা? অদুগা ওক্টোবর ১৫, ১৯৪৯দা লৈবাকসিগী ফিবান্নুংদা তিন্দুনা মসিগী শরুক অমা ওইরকখিবদগী লৈখিব্রা হায়বগী চেনবা য়াদনা লৈরক্লিবা অচুম্বা-অশেংবশিংনি। পূম্নমক্লা শিৎ-নান্না খঙনবা ৱাফমনি। লৈবাকসিদা পুল্লবা মতুংদা লৈবাকসিগী লৈঙাক্লা ফুরুপ-কাঙলূপ অমগা-অমগগী মরক্তা থোং মান্নহন্নবা তোঙান-তোঙাননা থোনগৎলকপা য়ূম্ফমনি। চহী কয়া লিশাং শিংনা চত্থরকপনা হৌজিক মসিগী কান্নবশিংসু কেটেগোরি অসিগী মনুংদা য়াওরিবা মীওইশিংনা ফংলিবনি।

মরম অসিনা হৌজিক মণিপুরদসু খায়দোক্লিবা কাঙলূপশিংসি শুনা লৈরে। কাঙলূপ অমমমদা য়াওনবা ফুরুপশিংদা মসিগী ঙাক্লৌ পীরে। খুদোংচাবসু ফংলে। হৌজিক লাক্লিবা ৱাফম্না জেনরেলদা চহী খরগী মমাঙদগী চল্লকখিবা মীতৈ/মৈতৈগী মীশিং হন্থরকপগা লোয়ননা মশাগী মরমদমদা রিফ্যুজি ওইরকপগী ফীভমদা লৈরে। মরম অসিনা ফুরুপ অসিবু অহেনবা কন্সটিট্যুসনল সেভগার্দ পীনবা/ফংনবগীদমক্তা লৈবাকসিগী সেদুল্ড ত্রাইবকী লিষ্টতা চলহনবীয়ু। মসিদা চনবা য়ানবগীদমক্তা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মথৌ তাবা রিপোর্টশিং থাবীয়ু হায়বনি। অদুবু চহী ১০ হেনবগী মমাঙদগী দিমান্দসি তাল্লদুনা মসিবু ফংনবা খোংজং কয়া লেপ্তুনা চঙশিল্লকপদগী হৌজিক ফুরুপসিগী মীয়াম হুপ্না দিমান্দসিবু ময়েক শেংনা খঙবা হৌরক্তুনা শৌগৎনরক্লবা তাঞ্জাদা চীংমী মহৈরোয় লূপ অমনা ফৈগাক ফৈনা মসিগী মায়োক্তা লেপ্লকফম থোকপ্রা? দিমান্দ অসি পীবিগনু হায়দুনা সেন্টরগী লুচিংবশিংদা তকশিনবা য়াওরন্নগসু তৌফম থোকপা থবক্লা হায়বগী ৱানি। মীতৈ/মৈতৈনা এস টি লিষ্টতা চনবদা হান্নদগী লৈমিন্নরক্লিবা ফুরুপশিংদা করি অকাইবা পীবগে? মখোয়গী চাকথুং ময়েং তাহল্লকপা নৎত্রগা মুন্দুনা লৌবগী ফীভম লৈহল্লক্কদ্রা? অতোপ্পা ষ্টেট খরগী ফুরুপ-কাঙলূপ খরা এস টি লিষ্টতা মথং-মথং চন্নখ্রিবসিনা কম্মাই তৌবা? মখোয়না এস টি লিষ্টতা চনখিবদদি চীংগী মহৈরোয়শিংগী লূপসিদা শোক্তব্রা? মীতৈ/মৈতৈনা চনগে হায়রকপা খক্তদা নীংদোল পোন্নিবা করিগীনো? চাকথুং মুনবা/মুন্দবা নৎত্রগা ময়েং তাবা/তাদবগী ৱাফম নত্তনা চীংগী মহৈরোয়শিংগী লূপসিনা থরক হুনগৎলিবা মতাংদুসু মীয়াম পূম্নমক্লা শিৎ-নান্না খঙই। অদুগা য়ূম্ফমদি ওইরগা ফোঙদোক্তনা ফুন্নগা মীতৈ/মৈতৈগী দিমান্দসিগী মায়োক্তা চঙশিল্লকপদি ৱাখল থেনবদা নত্তনা পীকপা, অপূনবা অমত্তা ওইবগী ৱাখল চেনবা ঙমদবা হায়দুনা লৌগনি। মসিগী মথক্তা নুংশি চান্ননা লৈমিন্নরক্লগা থোক ওনশিন্দুনা 'হোমলেন্দ' তানশিল্লকপা মীওই খুজোক খরগী মায়কৈদা লেপ্লকপনি হায়দুনা লৌনরক্কনি। মচিল মনাও ওইবগী মরীদা কায়হল্লক্কনি, নুংশিনদবা পুরক্কনি। হান্না থাংজিনবা হৌরন্নগসু খোঙফমদু হন্দোকপনা পূম্নমক্কী অফবা ওইগনি হায়নীংই।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৪

১) **''ওইরগদ্রা অরোইবা''** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং মসিগী অইবা কনানো?

২) **''ৱৎসনিংথৌ উদয়ন''** হায়বা লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অইবদু কনানো অমসুং মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৩) **''ক্লিওপাট্রা অপাম-নুংশি লাংথাকপী''** হায়বা লাইরিকসিগী অইবা কনানো?

৪) ''খেন্দে নিংথৌ হাওতক লাইবনা হান্না লীরি থম্মোয় তিং লকা তেনমৈ লাকনা কোরৌ নোং-ও য়েংও, মালেম লৈ ও খঙঙো। হৈরেম ইপল লম নঙ চুম্মো হায়না ৱায়রা তেন্থাববু শোয়রেন ফুমি তূনা তেনবাল্লে। চাইরেন নিংথৌ য়াফুরাকপনা লীরি থম্মোয় তিং লকা তেনমৈ পায়না কোরৌ নোংও য়েংও মালেম লৈ ও খঙও, হৈরেম ইপল লম নঙসুঙ চুমও হায়না ৱায়রা তেন্থাবদি খেন্দে নিংথৌ হাওতক লাইবগী ফৈরা মতান পাংমা তুরে।'' ৱাহৈ পরেং অহুম অসি কদাইদগী লৌথোরকপনো?

৫) **''ৱারেপ''** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ৩০, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

লৌমীশিংগী কাখল

# মণিপুরদা তিলহৌগী পোখোক হন্থবগী মরমশিং - ৪

ডো. এম থোইথোই সিংহ

**হ্বাইট রোট :** কোকফাইনা থোকহনবা লায়না অসি লৈবাক্তগী শন্দোরকপনি। লায়না অসিনা তিলহৌ মরূগী শরুকশিং মরা, মউ অমসুং মনাগী মকারোম থংবা শরুকসু খুইথহল্লি, পৎহল্লি। লায়না চেল্লবা মনাশিং নাপু চংলকই, ইহাম হাম্না লৈ। মনাশিং মরু ওইনা মখোঙলোমদগী পৎলকই। অরিবা মনাশিংনা ইহান হান্না পথুদুনা লৈবাক্তা তাই। তিলহৌ মরূগী শরুকশিং (মকাশিং) ঈশিং খরা খরা থোকপদৌনা পথুরকই। মরাশিং পুম্মী। মসিনা মরম ওইরগা পান্থীদু ইকোম কোম্না লৈবাক্তগী ফুক্তোকপা য়াই। তিলহৌগী শরুক খরা নৎত্রগা অয়াম্বা শরুক ঙৌথোরকই; হ্বাইট রোট হায়না খঙনৈ।

**ঙাকথোক্লবা পান্থে :** ১) লায়না চেনখ্রবা মফমদুদা তিলহৌ অমসুং মসিগী মরী লৈনবা পান্থীশিং অমুক থাদবা অমসুং পান্থীগী লেমখাকশিং মফম চানা হুন্দোকপা। চহী ২০গী মথক্তা লায়নাসি লৈবাক্তা লৈবা ঙম্মী।

২) মরূদদি লায়নাসি চেন্নরক্তে। অদুবু চারা ওইনা পুরকপদদি লায়নাসি য়াওরকপা য়াই; লায়না চেল্লবা মফমদগী চারা লৌরোই।

৩) Tebusul গ্রাম ৩০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা কাপথোক্কনি। নুমিৎ ১০নি লৈরগা অনীরকশুবা ওইনা অমুক কাপথোক্কনি।

**বেসেল ৱোট :** কোকফাই মখল অসি তিলহৌনা হৌরিঙৈ অমসুং লীদুনা থল্লিঙৈ মতম অনীমক্তা তাশিনবা ঙম্মী। লায়না অসিনা নারবা তিলহৌ পান্থীগী মনাদা নাপু চঙলকই, খুইথরকই অমসুং শি। তিলহৌ পান্থীনা মপুং ফারকপগা লোয়ননা মরাশিংগী মচু ঙাংলৈনরকই। মমৈথংদা মরাশিংদু পৎলকই। তিলহৌ মরূদু থোক্তোরকই, মরূগী মখা থংবা শরুক্তা মহি থোক্লা পৎলকই।

**ঙাকথোক্লনা পান্থে :** ১) লায়না চেন্দবা মরূ শীজিন্নবা, নিয়ম চুম্না থাবা।

২) থাবদা য়াম্না কা হেন্না কুংহন্দবা, ইঞ্চি ৬ X ইঞ্চি ৩দগী হেন্না কুংহন্দবা; ঈশিং অমসুং হার হেন্না পীদবা।

৩) Benomyl 15% + Mancozeb 60% য়াওবা হীদাক গ্রাম ২০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা মনাশিং চোৎনবা কাপথোক্কনি।

৪) তিলহৌ থারিবা লৈবাক্তা তিলশিং লৈহন্দবা অমসুং তিলহৌ মনাশিংদা অতোপ্পা লায়নাশিং তাহন্দ্রবদি লায়না (বেসেল রোট) তাবা হন্থে।

৫) সেলসিয়স দিগ্রি মরিগী মখাদা তিলহৌশিং থল্লবদি লীদুনা থল্লিঙৈদা লায়নাসিনা শোকহন্দে। মফমদুমক্তদা ঈশিং ঈনিল চাদা 90 (RH) দগী হেলহন্দ্রবদি য়াম্না ফৈ।

৬) তিলহৌ পান্থীনা ফোসফোরস মরাং কায়নবগীদমক ফোসফোরস সোলুকলাইজিং বেক্টেরিয়া (পি এস বি) কাপথোক চাইথোকপনা বেসেল রোট তাবগী চাংসু হন্থে।

তিলহৌ পান্থীদা তারিবা তীলশিংগী মনুংদা লিফ মাইনর, থ্রীপস, তিলহৌ হন অমসুং মখোক ককপী পনবা য়াই।

**লিফ মাইনর :** তিলহৌ মনাগী মনুং হুত্তুনা চঙখ্রগা মনাশিংবু অঙৌবা-নাপু মচুগী মরী মরী চৎপী দাগশিং লৈহল্লি। মসিনা মরম ওইরগা তিলহৌদা কোকফাই অমসুং বেক্টেরিয়াগী লায়না কয়াবুসু শন্দোকপদা মতেং পাংই। মসিদা নত্তনা তিলহৌ মরূ চাউবসু হন্থহল্লি।

**থ্রীপস :** অপীকপা মচু তাইফেৎ তাইবা তিলহৌগী মনা চাবী তীল অসি জন্যুৱারী অরোইবা শরুক্তগী মে থা ফাওবা তাগল্লি। অদুবু হায়রিবা তীল অসি মনা চানবা থাবা লমদম অসিগী অপীকপা তিলহৌ মখলদদি চহী চূপ্পা তাই হায়বা য়াই। তীল অসিনা তিলহৌ মনাগী মতোনশিংদা অঙৌবা দাগশিং লৈহনবগা লোয়ননা খুইজিনহল্লি। মসিগী ফীভম অসিবু সিলভর টোপ হায়না খঙনৈ। তীলনা অসি তিলহৌনা মপাল শারকপা মতমদা হেন্না শাথী।

**ঙাকথোক্লবা পান্থে :** তীলনা অনীমকপু ঙাকথোক্লবগীদমক

১) অওন পোত্থা তৌগনি।

২) তীলনা অসিদগী খরা মখৈ ঙাকথোকচবা ঙমজবা তিলহৌ মখলশিং নাশিক রেদ অমসুং স্পেনিস হ্বাইট মমিং পনবা য়াই।

৩) Killer 707 মিলিলিটর ২০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা কাপথোল্লগসু মথক্কী তীলনা অনীমক লাকশিনবা ঙম্মী।

**হন চঙবা :** তীলনা অসিনা শোকহল্লবা তিলহৌ পান্থীগী মতোন থংবা শরুক্তগী কোনা মচু চঙলকপগা লোয়ননা পান্থী অদু খুইজিল্লকই। তিলহৌ মরূ অমসুং মখোকৱাইদু চপশিল্লকই, মহি থোকপগুম উগনি। খায়দোক্তুনা য়েংবদা সেন্টিমিটর মখায় অমমুক্তং শাংবা মনীং হুইথবা হনশিং য়াওরম্বা থেংনগনি।

**ঙাকথোক্লবা পান্থে :** থ্রীপসকী ঙাকথোক্লবা পান্থেগা মান্নে।

**মখোঙ ককপী :** তীল অসিনা মখল কয়াগী পান্থীশিংগী মখোঙ ককথৎলি। নিংথম মতমগী পান্থীশিংদনা অমুক হেন্না মাঙহন তাকহল্লি। তীল অসিনা লৈমায় মপাদা পান্থীশিংগী মখোঙ ককথৎলি। ককথৎপগী থবক অসিসু নুমিদাংগী মতমদনা অয়াম্বা তৌই।

**ঙাকথোক্লপা পান্থে :** ১) ইঙ্খোল ফত্ত-হৌদি লৈহনবীরোইদবনি।

২) অচৌবা তেম্পাক লৈতুমশিং থুগায়গনি।

৩) Raincord কিলো অহুম শঙম অমা চাওবা তিলহৌ থাফমদা চাইথোকহৌবনা তিলনাসি লাকশিনবদা নত্তনা পান্থীগী মচিঞ্জাকসু ফংহল্লি। পোখোক হেনগৎহল্লি। ●

# নিংথম অমদি স্প্রিং (বসন্ত) চুজাক থাদুনা শেন্দোং হেন্না ফংনবা হোৎনরসি

- এস সুমঙ্গল -

চুজাক অসি মতোনবু থোকহনবা ঙল্লবা লোয়ননা থাফম লৈরবদি থানীংবা মতমদা থাবা য়াবা পান্থীনি হায়বা য়াই। কা হেন্না ঈংবা দিসেম্বর, জন্যুৱারীগী মতম নত্তনা অশাবগী চাংচত্ত ১০ দিগ্রি সেলসিয়স ওইবা মতমদা মতোন নিংথিনা থোকপা অদুমক ঙম্মী। নিংথম চুজাক (ওক্টোবর-নবেম্বর) অমদি য়েন্নিংথা/বসন্ত/স্প্রিং চুজাক (ফেব্রুৱারি-মার্চ) হায়রিবা থাশিং অসিদা থাবা য়াই। কনাগুম্বগী থাফম চাবা মফম লৈরবদি শেন্দোং লৈনা চুজাক থানবা হোৎনবীবা য়াই।

মালেমগী ওইনা চুজাক অসি ঐখোয় মীওইবা অমদি শা-ষণগী খ্বাইদগী মরু ওইবা চিঞ্জাকনি হায়না লৌনৈ। অতোপ্পা মওংদা চুজাক্কী চন্নফমদি য়াম্না লৈ। অদুবু মণিপুরগী ওইনদি কবোক/ ঙামোক ওইনা লৌদুনা, ফুৎতুনা নৎত্রগা ঙান্দুনা চাবা নত্তনা অতৈ চন্নফমদি কয়া লৈতে। অদুবু লোয়নরিবা শা-ষণ, ওক, ঙানু-য়েনশিং অসিগী তাঙনা মপান্দগী পুশিল্লক্লিবা মচিঞ্জাক অসিগী য়েংলুরগদি মণিপুরদা শা-ষণগী মচিঞ্জাক শেম্নবা নিংথিনা পায়খৎপা য়াই। লোয়ননা চুজাক্কী চন্নফম য়াম্না লৈহনবা য়াই। অদু ওইরবদি য়াম্না থানরকপসু য়াই। অদুম ওইনমক নোংজুথাদদি চীংগী লম খরগা তম্পাক্কী অতোঙবা লম খরগা নত্তনা চুজাক থাফম য়াম্নদি লৈতে। মরম অদুনা লৌ লোক্লবা মতুংদা নিংথম অমদি স্প্রিং চুজাক থাদুনা কনাগুম্বা থৱায় য়াওবা ইচিন ইনাওশিংনা শেন্দোং য়াম্না তানবদি য়াই।

অতেকপা চুজাক ওইনা য়োনবদসু শেন্দোং য়াম্না ফংবা ঙমগনি লোয়ননা পোপ কোর্ন (কবোক চুজাক) থারবদি অমুক্কা হেন্না শেন্দোং ফংবা ঙমগনি। মরমদি হৌজিকসি মণিপুরদা পোপ কোর্ন পুথোক্লবা ইলেক্ত্রিক্কী মেছিন য়াম্না শীজিন্নদুনা পোপ কোর্ন য়োনবা মীওই কয়া অমা থোরক্লে। মীয়াম্না পাম্নসু চানরে।

**লৈবাক লৈহাও ঃ** চুজাক্তি সমুদ্রগী ঈমাইদগী অৱাংবদগীনা মিটর ৩০০০গী অৱাংবা ফাওবা অদুগা অয়াম্বা লৈবাক লৈহাওদা হৌবা ঙম্মী অদুবু ঈশিং তুংলোইদবা, খরা তোংতক তৌবা ফোলি তাবা মফম্না খ্বাইদগী হেন্না পক্নে। অশিন অয়াক্কী চাংদি কা হেন্নসু শিন্দবা, কা হেন্নসু য়াক্তবা পি ঐচ ৫.৫-৭.৫ ফাওবগী মনুংদা অদুমক নিংথিনা হৌবা ঙম্মী।

**থাফম শেম্বা অমসুং থাবা ঃ** ফোলি তাবা মফমদদি লৌওন অনী অহুম খোইরগা অদুমক য়াবা থেংনৈ অদুবু লৈতান লম ওইরবদি খরা মমুৎ তানা খোইবা চঙই। চুজাক্কা হৱাই খোঙনেম্বীগা থাবসু য়াই। মদুগীদমক অসুম্না খোইরবা লৌফমদা খা-ৱাং ওইনা ফুট ২ পাকপা ফৈদোমশিং শেম্বীগনি। ফৈদোমগী মরক্তা ফুট অমগী চুরি/ঈরম শেম্বীগনি। ফৈদোমগী মমাঙ থংবা নাকচেপ্তা ফৈদোমগা ঈরোইননা চাওরাক্লা ইঞ্চি ৮-১০ লাপননা কাংখুল অমদা চুজাক মরু অনী-অনী থাবিগনি। হায়রিবা মওং অসিদা থাবদা চুজাক পরেংগা ফুট অহুম লাপ্পরগনি। ফৈদোমগীনা মথক্তা, চুজাক পরেং অনীগীনা কারক্তা হায়বদি ফৈদোম মথক্তা কোলি হৱাই পরেং অনী থাবা য়াই। কোলি হৱাই পরেং অনীগী অরাপ্পসি ফুট অমা মখায় ওইহনসি, পরেংগী মনুংদা মরূ অমগা অমগগী অরাপ্পনা ফুটখায়গী চাং থমসি। চুজাক হৌরবা মতুংদা কাংখুল অমদা অনী-অনী হৌরক্লবদি খরা শোনবা পান্থী অদু লৌথোক্তুনা শা-ষণগী নৎত্রগা ঙাগী মচিঞ্জাক ওইনা শীজিন্নবা য়াই। অহাঙবা কাঙ্খুলদা থাজিন্দুনা মেনশিনবসু য়াই।

**মখল ঃ** হায়ব্রিদ চুজাক পি এ সি ৭৪০, ক্বালিটি প্রোটিন মেজ শক্তিমান - ১, স্বিট কোর্ন মখলশিং মণিপুরদা য়াম্নমক চানবা থেংনরে। মরু খরা হোঙবা হায়রগনা কম্পোজিৎ মখলশিং থাবা য়াই।

মখোয় খুদিংমক নিংথিনা থারবদি চুজাক অনী-অনী পানবা ঙম্মী। সেরৌদা থানবা কবোক চুজাক মখল অসি য়াম্না ফবা মখলনি। অতোপ্পা হায়ব্রিদ নত্তবা কম্পোজিৎ চুজাক মখলশিংসু অদুমক মরূ মরাং য়োনবা দুকানশিংদা ফংলে। মখোয়দি চহী ৪ ফাওবা ইশাগী লৌফমদগী লোকচবা মরূনা চাথোক হন্থদনা থাবা য়াই। অদুগা হৱাইগা ইন্টর ক্রোপ্পিং ওইনা থাগে হায়রগসু কোলি হৱাই খোংনেম্বী মখলশিং থাবা য়াই। হায়রিবা হৱাই মখলশিং অসি মতম তেনবা চুজাক্তগী ঙন্না লোকখ্রগদবা হৱাই মখলশিংনি। অসুম্না থামিন্নবনা পোৎলম অনীমক্তগী শেল ফংবা ঙমহনগনি।

**মরুগী চাং ঃ** হায়ব্রিদ অমদি ক্বালিটি প্রোতিন মেজ - শঙমদা কিলো ৫-৬ কম্পোজিৎকীদমক কিলো ৪-৫ চঙগনি। হৱাইগীদমক্তি শঙম অমদা মরূ কিলো ২০-২৫ ফাওবা চঙগনি। অসুম্না থাবদা শঙম অমা পাক চাওবা লৌফমদা চুজাক পান্থী ১৫০০০-১৮০০০ ফাওবা চনগনি।

**হারগী চাং ঃ** ঙল্লবদি শঙম অমদা নিংথিনা পথু পুমথরবা ষন্থি ষনয়ুংগী হার ষণ গাড়ী মপোৎ ৫-৬ কা লোয়ননা চুজাক্কীদমক য়ুরিয়া লৈবাক লৈহাওগী মতুংইন্না কিলো ৩০-৩৫; সিঙ্গল সুপর ফোসফেট (এস এস পি) কিলো ৬০-৬৫ অমদি ম্যুরিএট ওফ পোটাস কিলো ১৪-১৫ গা লোয়ননা জিঙ্ক সলফেট কিলো ৫ চঙগনি।

**হার হাপ্পগী মওং ঃ** হার মতম চানা চাইসি, অপূনবা য়ুরিয়াগী শরুক অহুম থোকপগী অমা, এস এস পিগী অপূনবা, পোটাসকী অপূনবা অমসুং অপূনবা জিঙ্ক সলফেট য়ানশিন্নরগা মরূ থাগদবা পরেংগী নাকন ওইরপ্না সেঃ মিঃ ৪-৫ চথোক্লগা অমদি সেঃ মিঃ ৪-৫ মরূদগী লুথনা লৈবাক হন্দোক্লগা পরেংদা হাপহৌসি। হৌরগা হাপ্পসিনা হার চাইবগী কান্নবা য়াম্না হেল্লি। অদুবু অসুম্না পরেংদা চাইবগী খুদোং চাবা লৈত্রবদি অরোইবা খোইবদা অহানবগী দোজ অদু লৈবাক্তা মমুৎ তানা খোইজিনবীহৌগনি। হৌরবা চুজাক্লা খুকউমুক ৱাংলকপা হায়বদি থাবদগী নুমিৎ ৩৫-৪০ নি শুরকপা মতমদা লেমহৌরিবা য়ুরিয়াগী তঙ্খাই অমা মখোঙ খোপচিন্দ্রিঙৈ মাঙওইননা পান্থীগী নাকন্দা পরেং শানা চাইরবা মতুংদা মখোঙ খোপচিনবীগনি। মখোঙ খোপচিনবা মতমদা মরাদা হারনা থেংদনবা য়াম্না চেকশিনবীগনি। অরোইবা ওইনা লেমহৌরিবা য়ুরিয়াগী শরুক অদু মপান শাবা হৌরকপা মতমদা চাইবিগনি।

**হাবেংবা ঃ** চুজাক মরূ থারবা মতুংদা সিমাজিন নৎত্রগা এত্রাজিন গ্রাম ২৫০ ঈশিং লিটর ৫০০ দা য়াল্লগা লৈমাই চোৎনবা কাপথোকসি। মসিগা লোয়ননা থারবা মতুং নুমিৎ ৩০-৪০ নি শুরকপা মতমদা অমুক থুনা হাবেংসি।

**ঈশিং চনবা ঃ** চুজাক পান্থীদি ঈশিং ৱাৎপা অমসুং হেনবা অনীমক্তা ফত্তে। ঈশিং ৱাৎপা মতমদা চুজাক পান্থী শাহৌ ফনা হৌবা ঙল্লোই লোয়ননা চাথোক শোয়দনা হন্থগনি। ঈশিং তুংশিল্লগনা চুজাক পান্থী শিগনি। চুজাক পান্থীদি পুং ৬ ফানা ঈশিং থুমজিনবা মতমদা শিগল্লি। মরম অদুনা ঈশিং চিথোক চিশিন য়াবা ঈরম শেম্বীবা কাউদবা ফৈ। লোয়ননা ফৈদোম খরা ৱাংনা তাখৎতবা য়াদে। নোং চুদবা মতমদা খুকউমুক ৱাংলকপা মতম, মপান শারকপা মতম অমদি মরূ চঙবা মতমদা ঈশিং চনবিবা য়াম্নমক কান্নগনি।

**লায়না তীলনা ঃ** চুজাক পান্থীদা ময়োন চিকপি তীল তাগল্লি। হৌজিক্তি ফোল আর্মী ৱর্ম হায়বা শাথীবা পুকশ্রি মখল অমসু চহী খরসিদা তাবা থেংনরে। মসিগীদমক ফুরাদান 3G হায়রিবা হীদাক অসি মরূ ৪-৫ চুজাক্কী ময়োন্দা থাদবিবা ফৈ। নৎত্রগনা ব্লেক দোগ কৌবা হীদাক মহী অদু এম্পল অমা ঈশিং লিটর ১৫দা য়াল্লগা ময়োন তম্না কাপ্পদা অদুমক ইরায় লায়না ফগনি। অতৈ লায়না তারকপা মতমদা অখঙ অহৈ মতম চানা তানদুনা কলহৌনবা হোৎনসি।

হৱাইগীদমক্তি য়ুরিয়া য়াম্না হাপত্রবসু য়াই । য়ুরিয়া শরুক ২গা সুপর শরুক ৯ গা পোটাস শরুক ৩ গা য়ান্নরগা খুদোল মঙানা পায়বদা য়াওরকপা চাং অদু মরূগী নাকন্দা মরূদগী খরা লুথনা হাপসি।

চুজাক অমসুং হৱাই মঙ্গন অনী পূন্না থামিন্নবনা হৱাইদা তাগদবা লায়না তীলনা কয়া মরু ওইনা ৱাহিক অমদি মহী চুপ্পা অতৈ তীলশিংদগী চুজাক্লা ঙাকথোকপা ঙমহল্লি। চুজাক্কী মনানা, নুংশিৎ শিৎপা মতমদা হাই হুম্না লেংবনা তীলশিং তাম্থোক্লবগী মরম অমসু ওই।

**পোখোক ঃ** লৌ শঙম অমদা চাওরাক্লা অরন অকুং খেন্নবগী মতুং ইন্না চুজাক পান্থী ১৫০০০-২০০০০ ফাওবা থাবা মতমদা মসিদগী অশোই অঙাম খরা খাইদোক্লগা অশংবা চুজাক মপুম ২৫০০০-২৬০০০ তি অদুমক লোকপা য়াই। চাংচৎতা চুজাক অমদা লুপা ৩ খক্তংদা য়োনবদা লুপা ৭৫০০০ দি ফংবা য়াই। তশেংনমক্তি লুপা ৩দগী হেন্না য়োন্নবা ঙাক্তনি। হৱাইদগীসু অদুমক পোখোক মতিক চানা ফংবগা লোয়ননা শেন্দোং য়াম্না ফংবা ঙমগনি। লৌ শঙম অমদগী থা ৩-৪গী মনুংদা শেন্দোং ওইনা লুপা লাখ অমা হেন্না তানবা ঙম্বগী ওইথোকপা লৈ। ●

— এদিটরদা থারকপা চিঠি —

## সঙাই ফেষ্টিবেলদা এন্ত্রি ফী

**ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,**

মণিপুর লৈঙাক্লা ষ্টেটকী থাক্তা নবেম্বর ২১দগী ৩০ ফাওবা পাঙথোক্লিবা সঙাই ফেষ্টিবেল ২০২২, লমদম অসিগী তোঙান তোঙানবা চীং অমসুং তমগী মফমশিংদা ফনা ফজনা পাঙথোকচরবসু নুংতি-নুমিৎ খুদিংগী এন্ত্রি ফী লৌবনা মরম ওইদুনা লৈত-লায়র অমদি মীয়াম পূম্নমক য়েংজনীংলবসু খুদোংচাবা ফংদ্রে। তশেংনা ফেষ্টিবেল হায়বসি মীওইবা খুন্নাইগা শাগোন্নরক্লবা তৎন-থানবা য়াদ্রবা পুন্সিগী শরুক অমনি। ঐখোয়না শরুক য়াজরুবা ফেষ্টিবেল খরদং পঞ্জরবদা ইন্টরনেসনল ত্রেদ ফ্যের, ওকতেভ ৱর্ল্ড পর্ফোর্মিং আর্টস ফেষ্টিবেল, ওনাম, সিরোই লিলি ফেষ্টিবেল অসিনচিংবা এন্ত্রি ফী অমত্তা লৌদে। মরম অদুনা ষ্টেট অসিনা পাঙথোকপা 'সঙাই ফেষ্টিবেল' অসি লন্নাই ওর্গনাইজেসন অমগী চেরিটি শো লৌবা অমগুম্না উহনজনীংদে। অরোইবদা কুম্মৈ অসি হেন্না মপূং ফানবা টিকেট প্লেগী মহুৎতা ওপন ওইনা মীয়াম পূম্নমক য়েংবা য়াহনবগী খুদোংচাবা ফংহনবীনবা মরী লৈনবশিংগী পূক্লিং চিংশিঞ্জরি। লোং লিভ সঙাই ফেষ্টিবেল।

*অদোমগী - ৱাহেংবম বোজেন্দ্রো মীতৈ*
*খুরাই কোন্সম লৈকায়*